# এ টি কে মোহন বগাননা চেন্নাইন এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা মুম্বাই সিটিবু তানখৎলক্লি

**22nd Jan, Friday (67th Match)**
SC East Bengal
vs
Mumbai City FC
Time : 7:30 PM


চেন্নাইন এফ সীগী শান্নরোয় অমনা মথবাক্লা বোল কলেক্ট তৌরগা পাস তৌননবা হোৎনখিবা

ফটোর্দা, জন্যুৱারী ২১(এজেন্সী): গোৱাগী ফটোর্দাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬৬শুবা মেটচতা মমাংগী চেম্পিয়ন এ টি কে মোহন বগাননা চেন্নাইন এফ সীবু ১-০দা থোইদুনা টুর্নমেন্ট অসিগী লীগ টেবলদা মাঙজিল থারিবা মুম্বাই সিটি এফ সীবু তানখৎলক্লি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী মাংওইননা এ টি কে মোহন বগান মমাংগী মেটচ ১১ শান্নখিবদা পোইন্ট ২১ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। ঙসি মখোয়না মায় পাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট ২৪ ফংদুনা মাঙজিল থারিবা মুম্বাই সিটি এফ সীগী পোইন্ট ২৬পু তানখৎলক্লিবনি। অমরোমদা, চেন্নাইন এফ সী মেটচ ১২ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৫ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

অহানবা হাফকী হৌরকপা টিম অনীমক পাঙ্গল মান্ননা শান্নরকখি। খূদোংচাবা ফংদ্রবসু বোলশিং অদু অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা শেমগৎপা ঙমখিদে। হাফ অদু পাঞ্জল চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপদসু অহানবা হাফকুম্না অদুম্মক টিম অনীমক লম্বা মান্ননা লৈরকখি। এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদা দেবিদ ৱিলিয়ম শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখি। মহাক চঙলকখিবগা মোহন বগানগী হান্না লৈরম্বা মশান্না অদুদা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখিবা এ টি কে মোহন বগানগী মেটচকী ৯০শুবা মিনটতা কোর্নর কিক অমা হর্নান্দেজনা কাওরকপদা দেবিদ ৱিলিয়মনা য়াম্না ফজবা মওংদা হেদ তৌশিন্দুনা পাঞ্জল চনখি। লোইশিল্লকপদা চেন্নাইন এফ সী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 11 | 8 | 2 | 1 | 17 | 4 | 13 | 26 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 12 | 7 | 3 | 2 | 12 | 5 | 7 | 24 |
| 3 | FC Goa | 12 | 5 | 4 | 3 | 17 | 12 | 5 | 19 |
| 4 | Hyderabad FC | 12 | 4 | 5 | 3 | 16 | 14 | 2 | 17 |
| 5 | Northeast United FC | 12 | 3 | 6 | 3 | 15 | 16 | -1 | 15 |
| 6 | Chennaiyin FC | 13 | 3 | 6 | 4 | 10 | 13 | -3 | 15 |
| 7 | Bengaluru FC | 12 | 3 | 4 | 5 | 14 | 16 | -2 | 13 |
| 8 | Jamshedpur | 12 | 3 | 4 | 5 | 13 | 17 | -4 | 13 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 12 | 3 | 4 | 5 | 16 | 21 | -5 | 13 |
| 10 | East Bengal Club | 12 | 2 | 6 | 4 | 11 | 16 | -5 | 12 |
| 11 | Odisha FC | 12 | 1 | 4 | 7 | 12 | 19 | -7 | 7 |

# ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কী টিম্না চিলিগী সেনিয়র হোক্কী টিম্বু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে


চিলিগী সেনিয়র নুপীগী হোক্কী টিম্বু মায়থীবা পীখিবদা হরাওবা ফোঙদোক্লিবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র শান্নরোয়শিং

সান্টিয়াগো, জন্যুৱারী ২১(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কী টিম্না হৌজিক হৌজিক চিলিদা লৈরিবা টুরগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা লৈবাক অদুগী সেনিয়র হোক্কী টিম্বু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কী টিম অসিনা টুর অসিগী অহানবা মেটচতা থা অসিগী ১৭তা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা চিলিগী জুনিয়র হোক্কী টিম অদুবু য়াম্না ফজবা মওংদা পাঞ্জল ৫-৩দা থোইবা ঙমখি। মদুগী মতুং থা অসিগী ১৮দা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ অদুদসু ইন্দিয়াগী টিম অদুনা চিলিগী জুনিয়র টিম অদুবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা টুর অদুদা পর্ফোমেন্স পীবা ঙমখি।

ঙসি সান্টিয়াগো সিটিদা শান্নখিবা টুর অদুগী অহুমশুবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অদুনা চিলিগী সেনিয়র টিমগা লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম পাঞ্জল অমা শোত্থরম্বদগী ফজরক্তুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দিপিকা, সঙ্গিতা অমসুং লালরিনদিকিনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখিবনি। মেটচ অদুগী হৌরকপা অহানবা ক্বার্টরদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা ক্বার্টরদা চিলিগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মদুগী কান্নবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় ফর্নান্দা ভিলাগ্রাননা শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদু চিলিনা ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অমুক ফজবা হেন্দুনা মখোয়না চিলিগী মায়কৈদগী বোল মশিং য়াম্না পুশিনবা ঙমখি। মেটচকী ৩৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় দিপিকানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদুগী ইক্বোলইজর অদু ওইখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর অদুগী লোয়শিল্লকপা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সঙ্গিতা কুমারিনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা চিলিবু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থাবা ঙম্লবা ইন্দিয়ানা মখাতানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ক্বার্টর অদুগী ৪৭শুবা মিনটতা লালরিনদিকিগী য়াম্না ফজবা মশান্ননা টিম্ অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মখোয়না চিলিগী নুপীগী সেনিয়র হোক্কী টিম অদুবু ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা মায়পাকপগী লম্বেলদা চঙশিনবা হৌখি।

পাঞ্জল অনী শোত্থরবা চিলিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেক মরী-মরী চত্থরকখি। মদুগী কান্নবা অদু মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা ফংবা ঙমখি।

চিলিগী মায়কৈদগী সাইমোন এভিলিনা খুদোংচাবা অদু লৌদুনা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং নমখায়দুনা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। ফুগৎকদবা পাঞ্জল অমত্তা ঙাইখিবা অদু মখাতানা চিলিগী মায়কৈদগী ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎরকখিবা অদু ইন্দিয়াগী জুনিয়র শান্নরোয়শিং অদুগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা দিফেন্দ তৌবা ঙমখিবা অদুনা চিলিগী নুপীগী সেনিয়র হোক্কী টিম অদু ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অদুনা ৩-২দা থোইবা ঙমখি। চত্থরিবা টুর অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র টিম অদুনা শান্নখিবা মেটচ অহুম্মক মায়পাক্তুনা টুর অদুদা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি।

# মণিপুরদগী শান্নরোয় ৭ নেসনল কেম্পকীদমক খল্লক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১(ঐচএনএস): কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদবা এ এফ সী (এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন) অন্দর ২০ ৱিমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী টিম শেম্নবগীদমক পাঙথোক্কদবা নেসনল টিম কেম্পতা শরুক য়াননবা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৭ খল্লক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (এ এম এফ এ)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ইন্দিয়াগী টিম শেম্ননবা খনগৎখিবা শান্নরোয়শিং অদুনা ফেব্রুৱারী ৫দগী মার্চ ৩১ফাওবা জমশেদপুরদা পাঙথোক্কদবা কেম্প অদুদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

মণিপুরদগী নেসনল টিম কেম্প অদুদা শরুক য়াগদবা খনগৎলক্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি এস ঐচ মোনিকা (গোলকিপর), ৱাই থাইলেন্দ (ষ্ট্রাইকর), পি ঐচ নিরমালা (দিফেন্দর), টি ঐচ মার্টিনা (মিদফিল্ডর), এন প্রিয়াঙ্কা (মিদফিল্ডর), য়ু পুস্পারানী চনু (মিদফিল্ডর) অমসুং ৱাই পাকপী (ষ্ট্রাইকর)নি।

টুর্নামেন্ট অসি মমাংদা য়ু-১৯ হায়না খঙনরম্বদগী চহী ১ হেনগৎলগা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মমাংদা জপাননা চেম্পিয়ন ওইখি।

# গোলাপটি এফ সীনা এফ সী লাইরেঞ্জমবু মায়থীবা পীখ্রে, কে ৱাই ভি ও, ব্রদর্স এফ সী অমসুং অপূনবা এফ সীসু মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১(ঐচএনএস): গোলাপটি এফ সীনা এফ সী লাইরেঞ্জম পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে। হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা মরিশুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট প্রধান ট্রোফি ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা কে ৱাই ভি ও, ব্রদর্স এফ সী অমসুং অপূনবা এফ সীসু মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং অদুবু থোইখ্রে।

ঙসি অয়ূকপুং ৮.৪০দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২২শুবা মিনটতা গোলাপটি এফ সীনা এফ সী লাইরেঞ্জমবু ৫-৪দা থোইখিবনি। অহানবা হাফতা গোলাপটি এফ সীগী মায়কৈদগী শাহনৱাজনা পাঞ্জল ১ চনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা এফ সী লাইরেঞ্জমগী মিকেশনা ইক্বোলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মখা তারকপদা গোলাপটি এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ থংন-থংননা চনখি। এম দি অঞ্জরনা পাঞ্জল ২ অদুগা এম দি নৱাজ খাননা পাঞ্জল ১ চনখি। মদুগী মতুং এফ সী লাইরেঞ্জমগী দেনিএলনা পাঞ্জল ২ চন্দুনা গোলাপটিনা মখোয়বু ৪-৩দা মাঙজিল থাখি। লোইশিল্লকপদা গোলাপটিগী অবোসনানা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা অমদি লাইরেঞ্জমগী রিমেন্দরনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদু ৫-৪দা গোলাপটিনা থোইখি।

২২শুবা মেটচতা কে ৱাই ভি ওনা বোনি এফ সীবু ৩-১দা থোইখি। কে ভি ওগী মায়কৈদগী সূর্য্যকান্তনা পাঞ্জল ২ অদুগা ইন্দ্রজিৎনা পাঞ্জল ১ চনখি। অমরোমদা বোনি এফ সীগী মায়কৈদগী সাহিদরনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি।

ঙসি নুংথিল পুং ১.৪০দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৪শুবা মিনটতা ব্রদর্স এফ সী ক্বাকৈথেলনা হি-য়াই এফ এ লুৱাংশংবমবু ২-১দা থোইখি। অহানবা হাফতা ব্রদর্স এফ সীগী অমির খাননা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু হি য়াই এফ সীগী মায়কৈদগী মনিমোহোননা অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ইক্বোলাইজর অদু চল্লগা লেং মান্ননা লাকখি। শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা ব্রদর্স এফ সীগী মায়কৈদগী রাজকুমারনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ২-১দা মাঙজিল থাখিবা অদু মখা তারকপা মিনট ২০ লোমগী মতম অদুদা হি য়াই এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মেটচ অদু ব্রদর্স এফ সীনা থোইখি।

অপূনবা এফ সীনা আই টি এফ সীবু পাঞ্জল ৩-২দা ২৫শুবা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখি।

# ঙাংখম বিতননা লৈখিদববদা মখা তানা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২১(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নেসনল ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরম্বা লৈখিদ্রবা ঙাংখম বিতননা লৈখিদবদা তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয় কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

বিতননা ইন্দিয়াগী চহী নৌরিবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংবু লমজিং-লমতাকপীরম্লবা মতুং হৌজিক্তি শান্নরোয় কয়া অমা সিনিয়র লেভেলদা শান্নবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা য়াওবা য়াবগী তাঞ্জা লৈরিবনি।

২০১৭তা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইখিবা কিয়াম অমর্জিৎনা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা বিতননা কোচ ওইরিঙৈ শান্নরোয় পূম্নমক অদুবু চপ মান্নবা মওংদা মীৎয়েং থমদুনা লমজিং-লমতাকখি হায়রি।

ইন্দিয়াগী হৌজিক মিদফিল্ডর ওইরিবা জর্মনপ্রিট সিংহনা মহাক্না হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি বিতনগী লমজিং-লমতাক্লনি হায়খি।

হৌজিক-হৌজিক নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীদা শান্নরিবা লিস্থোইঙানবা মীতৈনসু কোচ বিতননা লৈখিদববদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ফুলহাম থোইদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে

লন্দন, জন্যুৱারী ২১(এজেন্সী): মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমদা ফুলহামবু ২-১দা থোইদুনা লীগ অদুগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

ফুলহামনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ক্রাবেন কোটেজদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপদা মখোয়গী মায়কৈদগী এন্দ্রি এঙ্গুসানা পীরকপা বোল অমদা এদি মোলা লুকমেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মখা তারকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী ইদিন্সন কবানিনা ইক্বোলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা লৈখি। অনীশুবা হাফকী মিনট ২০ চঙশিল্লকপদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী পোল পোগবানা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী য়ুনাইটেদনা ২-১দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এষ্টন ভিল্লাবু ২-০দা থোইদুনা য়ুনাইটেদপু তান্নরক্লি।

# লেন্সনা মার্সিএল থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা থাক ৩ হাইগৎখ্রে

পেরিস, জন্যুৱারী ২১(এজেন্সী): ফ্রান্সতা পাঙথোকপা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা লেন্সনা মার্সিএলবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা মখোয়না লৈরম্বা পোইন্ট টেবলগী থাক অদু অহুম হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মার্সিএলনা য়ূম্বু ওইরগা ওরেঞ্জ ভেলোড্রোম ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু য়ূম্বু মার্সিএলগী ওইনা ১৯শুবা মেটচ ওইখি। অদুগা লেন্সকীনা ২০শুবা মেটচ ওইখি।

মার্সিএল মমাংগী মেটচ ১৮দা পোইন্ট ৩২ ফংলগা ৬শুবদা লৈখিবনি। অমরোমদা লেন্স মেটচ ১৯দা পোইন্ট ২৮ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরমখি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী শান্নবগী মিনট ১৪ চঙশিল্লকপদা লেন্সকী মায়কৈদগী মসাদিও হাইদরানা পীরকপা বোলদা সাইমোন বঞ্জানা পাঞ্জল চন্দুনা মার্সিএলবু লেন্সনা মাঙজিল থাখিবা অদু মখা তাবা পাঞ্জল লৈতবদগী মায় পাকখি।

# রিয়াল বেটিস মায় পাকখ্রে, ভিল্লা রিয়াল অমসুং গ্রানাদা দ্রো চৎখ্রে

মাদ্রিদ, জন্যুৱারী ২১(এজেন্সী): লালিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা রিয়াল বেটিসনা সেল্টা ভিগোবু মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ভিলা রিয়াল অমসুং গ্রানাদা দ্রো চৎখ্রে।

রিয়াল বেটিসনা য়ূম্বু ওইরগা সেল্টা ভিগোগা বেনিটো ভিল্লামারিন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগী সান্টিমিনানা ১৫শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মিনট ১০ লৈরগা রিয়াল বেটিসকী সর্জিও কানেলসনা ইক্বোলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ মখা তানা লম্বা তৌনরকখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা রিয়াল বেটিসকী কানেলসনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ২-১দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ভিল্লা রিয়াল অমসুং গ্রানাদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি। ভিল্লা রিয়ালগী মায়কৈদগী রুবেন অমসুং গোমেজনা পাঞ্জল চনখি। অদুগা গ্রানাদাগীনা সোলদাদো অমদি সর্জেসনা চনখিবনি।

# বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং আর বি এস লৈপজিগ মায় পাকখ্রে

বর্লিন, জন্যুৱারী ২১(এজেন্সী): বুন্দেসলিগাগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগ মখোয়-মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

মমাংগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিকনা ওগসবর্গপু ১-০দা থোইখি। মেটচ অদুগী ১৩শুবা মিনটতা ম্যুনিককী ষ্ট্রাইকর রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা চনখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতমদসু ওগসবর্গকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা ওগসবর্গকী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি অমা অলফ্রেদ ফিনবোগাসননা খূদোংচাবা অদু লৌহৌদবদগী ইক্বোলাইজর ফংবা ঙমদনা মায়থীবা নংখি।

অতোপ্পা মেটচতা রাসেনবোল-স্পোর্ট লৈপজিগনা য়ুনিয়ন বর্লিনগা লম্বা তৌনরকপদা লম্বা য়াম্না মান্নরম্বদগী ৭০শুবা মিনটতা দেনিএলনা পীরকপা বোলদা ইমিলনা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা থোইখি।

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION COURSE Starts on 21st Jan, 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Limited seats with proper SOP
TOPPERS of 2020



1st Position Reshmi N. D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi Pitambra E/School
9th Position Noveena Ksh D/o. Sarvodayachand & S. Aradhana Nirmalabas
10th Position Chaitan Y. S/o. Y. Shantikumar & T. Romila St. Joseph
15th Position Th. Jeet S/o. Th. Rashi & Th. Shanti St. Joseph
19th Position Dhanthoi S. D/o. S. Homeshor & O. Amita Nirmalabas
19th Position Mary L. D/o. Dr. John P. & Dr. Rothangpui Little Flower
25th Position H. Nandibala D/o.H. Nandalal & S. Madhubala Nirmalabas
25th Position Henry O S/o. O. Kumud & K. Ranjita St. Joseph

1ST POSITION 2020



Reshmi Nandeibam

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success. — Reshmi Nandeibam

HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST
FIRST COME FIRST SERVE ( ONLY 250 STUDENTS )

| Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 8732022342 VAN AVAILABLE
HL-B/6686/9/1-8/2

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
&
CLASS -X(BOSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
HSE Result 2019
19th POSITION



Rakesh Ningthoujam
MECI Explorer Academy
FOUNDATION COURSE for
CLASS -X(BOSEM)
25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
HSLC Examination Result 2020 at a GLANCE
6th POSITION



Jessica Konthoujam
Little Flower School
12th POSITION



Rabindra Moirangthem
St. Joseph School
14th POSITION



Ningthoujam Reona Devi
Trinity Public School
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol Contact : 9862712287
HL-P/6601/11/1-25/1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com